ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ


The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 49, Issue No. 243 | নোংমাইজিং, পোইনুগী ১৮নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, December 07, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## অহাঙবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ৪১৯ মেনশিন্নবা দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কনি হায়রকপদা 'সাইকোলোজি' সবজেক্টকী য়াওরক্ত্রে

হুইয়েন ব্যুরো




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী হায়র এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংদা হাঙদুনা লৈরকপা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্ট ৪১৯ মেনশিন্নবগীদমক ক্বালিফাই ওইরবা কেন্দিদেটশিংদগী প্রেস্ক্রাইব তৌরবা ফোর্মশিংদা এপ্লিকেশন কৌরি হায়বগী নোটিফিকেশন অমা ঙরাং মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কমিশন (এম পি এস সী) গী মায়কৈদগী থোরকখ্রবসু দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্তুনা লৌগনি হায়রিবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরশিং অসিগী সবজেক্টশিংগী মনুংদা 'সাইকোলোজি' সবজেক্টকী অমত্তা য়াওরক্ত্রে হায়না সবজেক্ট অসিগী স্পেসিএলিষ্ট/ডোক্টরেট/স্কোলর অমসুং এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

ঙরাং থোকখিবা নোটিফিকেশন অসিনা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসরগী অহাঙবা ফম ৪১৯ মেনশিন্নবগীদমক দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট পাঙথোক্কনি হায়রক্লিবা অসিগী মতুংইন্না পীরক্লিবা সবজেক্টশিংদি এন্থ্রোপোলোজি, বাইও কেমিষ্ট্রি, বোটানি, কেমিষ্ট্রি, কম্প্যুটর সাইন্স, ইকনমিক্স, এদ্যুকেশন, ইংলিস, জিওগ্রাফি, জিওলোজি, হিন্দি, হিষ্ট্রি, মণিপুরী, মেথমেটিক্স, মিজো, ফিলোজোফি, ফিজিকেল এদ্যুকেশন, ফিজিক্স, পোলিটিকেল সাইন্স, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

যুমদা হঞ্জিলহনবীয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিবশিংদা নোনেগী খুঞ্জাশিংনা এঙ্খাং-নাপিশিং পীরে

## লৈঙাক্লা ঐখোয়বু হঞ্জিলহনগনি হায়খিবা নুমিৎ ২৬নিদা ঙাইশিল্লক্লে






**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** চহী অনী মখায় হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা লৈহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু মণিপুর লৈঙাক্লা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না চৎলিবা দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা হঞ্জিলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ তকশিল্লদুনা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা লম্বোইখোংনাংখোঙগী মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংনা থা অসি চূপ্পা চথগদবা ৱাকৎ খোঙজংগী ঙসি তরুক্লি চনবা নুমিৎতা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ইজৈ রোং খুলগী খুঞ্জাশিংনা আই দি পিশিংগীদমক চান-থক্লবা মনা-মশিং, হৈ-রাশিং পুরক্তুনা খুদোল তল্লরে।

পোৎলমশিং অসিবু খুদোল তল্লদুনা ইজৈ রোং খুলগী চ্যেরমেন সিরৈ বরিয়ামতকনা হায়, য়েলহৌ ফূরুপশিং অসি ঈ মশেলনি অমসুং ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোনদা ইনপুই ফূরুপনা খুন্দাবা ইজৈরোং খুলগী খুঞ্জাশিংনা খুলদা ফংবা অরৈবা মনা-মশিং পুথোক্তুনা তেংবাঙবা লাকপনি। ইপা-ইপুশিংগী হাক্তক্তগী মীতৈ অমদি ইনপুই ফূরুপ অসি য়াম্না তোৎন-চিন্ননা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরম্মী। খৃষ্টিয়ান অমদি হিন্দু লাইনীং লাকপদগী তপ্পা-তপ্পা লাপথোক্লখিবনি হায়বা ৱাফম অসিসু অহল-লমনশিংনা থম্বীরম্মী। ঙসিদি ঈগী খোঙ্গুল লীবা অমদি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা নুংশি চান্নবা অমসুং অঙম্বা মতেং পাংমিন্নদুনা হিংমিন্নরকখিবা অদুগী লিক্লম তুংইন্না ঈরাংনা মরম ওইরদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরক্লিবা আই দি পিশিংগী অৱাবদা শরুক য়ারদুনা মীনুংশিগা লোয়ননা খুলদা ফংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুদোল তম্বা লাকপনি হায়খি।

ইজৈরোং খুলদগী পোৎলমশিং অসিবু খুদোল তল্লবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গভর্ণরস রোদ কোয়লাস থাবা হৌরে

## দ্রেনগী মখুম পান্দবা য়াওবনা থৱায় মাঙনবগী হাইগৎ লাং ওইরে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মরু ওইবা শরুক অমা ওইরিবা ময়াম্না 'পাওনা বজার' হায়রগা খঙনরক্লিবা পাওনা কৈথেলগী লম্বী পরিংগী মমাঙ থংবা শরুক্তা লোক ভবন মনীং থংবা চেকপলগা তাইনরিবা 'গভর্ণরস রোদ' হায়রগা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থাইলেন্দ, মলেসিয়া, সিঙ্গাপোর, ভুটান অমসুং ষ্টেট খরদগী লাকপা মীওইশিংনা লাইনিংথৌ সনামহী খুরুমখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** থাইলেন্দ, মলেসিয়া, সিঙ্গাপোর, ভুটাননচিংবা মপান লৈবাকশিং অমসুং লৈবাক অসিগী ষ্টেট খরদগী লাকপা মীওই কাঙবু অমনা ইম্ফালগী হয়িং খোংবাল উফোং য়ূম্ফমদা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহীগী শঙলেন্দা লাক্তুনা ইমা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম দি য়ুদা ৫৪শুবা ওল মণিপুর শোর্ট প্লে কম্পিটিশন-২০২৫ হৌদোকখ্রে




**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (ঐচএনএস) :** থিএটর সেন্টর মণিপুরনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগা খূৎশম্নদুনা শিনবা ৫৪রক শুবা ওল মণিপুর শোর্ট প্লে কম্পিটিশন-২০২৫ হৌদোকখ্রে।

য়াইস্কুল পুলিস লেনদা লৈবা এম দি য়ুগী ওদিটোরিয়মদা ফেষ্টিবেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা একাদেমিগী দেপ্যুটি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## বোইকোটকী মায়খুম উপ্পশিংদগী চেকশিনবীয়ু : কে সী পি -এম সী (প্রোগ্রেসিভ)

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি কাউন্সিল (প্রোগ্রেসিভ) কী ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতৈনা থোরকপা চেরোল অমদা সঙাই ফেষ্টিবেল বোইকোট-২০২৫গী মায়োক্তা শীংনখিবা এম এল এ অনীনা পার্টিদা চঙজরক্তুনা এক্সপ্লেনেশন থমগদবনি অমসুং বোইকোটকী মায়খুম উপ্পা হুইরোইশিংদগী চেকশিনবীয়ু হায়রি।

...মখা লমায় ৮ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লাইশ্রম লেম্বা এলিয়জ চাম্বা লৈখিদবদা সোরেপানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ :** সোশলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিগী লান্মী শঙলূপ পিপলস রেভল্যুস্নরি আর্মি (পি আর এ) গী পাথৌ লাইশ্রম লেম্বা এলিয়জ চাম্বা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোরেপাগী পি আর ...মখা লমায় ৩ কলম ৬